## ওজাগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩(ঐচএনএস)ঃ মণিপুরগী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট-ৱিং ওইরিবা হায়র এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট, টেক্নিকেল এদ্যুকেসন, এদ্যুকেসন (এস), এস সি ঈ আর টি, দিরেক্টোরেট ওফ লেঙ্গ্যুএজ, ষ্টেট প্রোজেক্ট দিরেক্টোরেটস ওফ এস এস এ/রমসা/রুসা, বোর্দ ওফ সেকেন্দরী এদ্যুকেসন, মনিপুর, কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরী এদ্যুকেসন, মণিপুরনা পুন্না শীন্দুনা ষ্টেট লেভেল টিচররস' ডে থৌরম লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ৫গী অয়ুক পুং ৮.৩০ তাবদগী ইম্ফাল ৱেষ্টকী বাবুপরাদা লৈবা বেঙ্গালি হায় স্কুলদা পাঙথোক্লগনি হায়না এস আই এস, রমসা, মণিপুরগী এদিসনেল ষ্টেট প্রোজেক্ট দিরেক্টর এল নন্দকুমারনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

## খোঙজং চঙশিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩(ঐচএনএস)ঃ ইমা পান্থোইবী কমিটি, ইবুধৌ খুমন পোকপা কমিটি, ইলেক্টেদ পঞ্চায়ট মেম্বর, অপুনবা মৈরা পায়বী লূপ, এন জি ও, লোকেল লিদরশিং অমসুং লোকেল এদ্যুকেসনিষ্টশিংনা শরুক য়াদুনা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা ঙরাং কারাং আইলেন্দদা পাঙথোক্তুনা জোইন্ট এক্সন কমিটি ফোর মেকিং রোদ করাং মঙ্গে মখোঙ টু থাঙ্গ চীঙ্খা হাওরং কৌবা অমা শেমখ্রে হায়না জে এ সি অসিগা সেক্রেটরি সলাম খেদানা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, শেমখ্রবা জে এ সি অসিগী সেক্রেটরিনা সলাম খেদা, প্রসিদেন্টনা নিংথৌজম ইবোসনা অমসুং ট্রেজররনা ওইনাম নোংথোননা ওইরগনি। মসিদসু নৎতনা নুপী ৱিংগীসু জে এ সি থৌপুবশিং খনখ্রে। নিংথৌজম সুর্জেশ্বরিনা সেক্রেটরি, ঐচ সনাহলনা প্রসিদেন্ট অমসুং জোইন্ট সেক্রেটরিনা এ ববিতানা ওইরগনি।

পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা হৌখিবা ওগষ্ট ২৩দা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখিবা অদু থবক ওইনা ওন্থোরক্তবনা মরম ওইরগা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ৫দগী হৌরগা ষ্ট্রাইক মখল মখা কয়া চঙশিনবা হৌনবা ৱারেপ লৌখি। মীওই লিশিং ৪ হেন্না লৈবা করাং আইলেন্দ অসিগী লম্বী থোংগী ফীভম য়েংশিনবীদবা অমসুং থৌওইদবগী করাং মীয়াম্না চীফ মিনিষ্টরবু পেন্দবসু ফোঙদোকখি হায়রি।

## আইজোলগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩(ঐচএনএস)ঃ ওল মণিপুর গভর্নমেন্ট ড্রাইভরস' এন্দ টেক্নিসিয়ন্স' এসোসিএসনগী মীওই ৮না শাবা দেলিগেট টিম অমা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ৪দা পাঙথোক্কদৌরিবা মিজোরাম গভর্নমেন্ট ড্রাইভর এসোসিএসনগী গোল্ডন জুবিলী সেলিব্রেসন য়াওরুনবা আইজোলগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়রি।

এসোসিএসন অসিগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এন তোম্বানা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, ওল ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট ড্রাইভরস' ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি মিলন রাজ বংশিনা লুচিংলকপা নাগালেন্দগী মীওই ৬না শাবা কাঙবু অমসু হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১দা ইম্ফালদা থুংলখি। ঙরাং অয়ুক মণিপুর অমসুং নাগালেন্দগী অপুনবা দেলিগেটশিং অদুবু ওল মণিপুর গভর্নমেন্ট ড্রাইভরস' এন্দ টেক্নিসিয়ন্স' এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ডো. ও নোবোনা আইজোলগীদমক কৈশাম্পাৎ জঙ্কস্নদগী লমথাখি।

## কাউন্সিল শেমখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩(ঐচএনএস)ঃ ঙরাং অনন্দা সিংহ হায়র সেকেন্দরী স্কুলদা মহৈরোয় কয়ানা শরুক য়ারগা দেসাম, ময়াই লোইশঙগী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগেন্দা সেক্রেটরি প্রেমচান্দ তোংব্রম অমসুং ওর্গনাইজেসন এন্দ কো-ওর্দিনেসনগী দিপ্যুটি সেক্রেটরি এলাংবম মুসুকনা ময়াই তাঙবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা এদদেমীক দিভলমেন্টকী মতাংদা য়াম্না কুপ্পা খন্নরবা মতুংদা মহৈরোয় ৪৪না শাবা দেসাম, অনন্দ সিংহ হায়র সেকেন্দরী স্কুল য়ুনিট কাউন্সিল শেমখ্রে। প্রসিদেন্টনা ও সদানন্দ, ভাইস প্রসিদেন্টনা এন কলপনা অমসুং সেক্রেটরি জেনরেলনা লালবোয় কিপগেননা ওইরগনি হায়না দেসাম, ময়াই লোইশঙগী প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা হায়রি।

## উ চারাশিং থাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩(ঐচ এন এস)ঃ হৌখিবা ওগষ্ট ৩১দা ইথাই পুনম চীংগী অকোয়বদা উ চারাশিং থাবগা লোয়ননা ইথাই খুনৌ লম্পাক্তা ইথাই পুনম চীংগী মেম্বরশিংগা মণিপুর ফিল্ম ষ্টার টিমগা ফুটবোল মেচ অমসু শান্নখি। থৌরম অদুদা থাঙ্গ এ সিগী এম এল এ টি মঙ্গিবাবুনা অথোইবা লেঙবীরকপা, কুম্বী এ সিগী এম এল এ এস বিরানা থৌরম মপু অমসুং অপুনবা ফিট্নেস সেন্টর, নাগামপালগী মেনেজিং দিরেক্টর ৱাই হেমলেটনা ঈকায় খুম্নরিবা লেঙবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি হায়না খা কংলৈরোল থিবা চীং-তম সনামহি থৌগল লূপকী থৌপুরেল কে জ্ঞানেশ্বরনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা হায়রি।

# 'নাকল অনীমক অঙম তান্নবগী মহুৎতা ৱারী শানদুনা ৱাখল তামিন্নবা চঙই'

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ০৩(ঐচএন এস)ঃ হৌখিবা লাইবক থীবা থৌদোক অমদা উখুলগী ফিঞ্চ কোর্নরদা পোলিটিকেল লিদর অমা এন এস সি এ (আই এম)গী মীওইশিংনা হাৎখিবদগী ওইরক্লিবা উখুল দিষ্ট্রিক্টকী ফীভম অঙম তান্নরবদি মায়কৈ অনীমক্তা অফবা ওইরক্লোই, মদুগী মহুৎতা নাকল অনীমক ৱারী শানদুনা করিদগী ওইরকপনো হাবদু ৱাখল তামিন্নবা অমা চঙই হায়না মীতৈ কাউন্সিল কংলৈপাক ( এম সি কে) চুরাচান্দপুর অমসুং অপুনবা মীতৈ লৈমা মৈরা লূপ (এ এম এল এম এল)না নাকল অনীমক্তা আপীল তৌবগা লোয়ননা মীয়ামগী ঈহৌদা লৈখিদ্রবা অমসুং অৱা চৈথেং নংহৌরবা ইমুং মনুংশিংগী অৱাবদসু মীতৈ ফুরপ অসিনা শরুক য়াজরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

এম সি কেগী প্রসিদেন্ট এল লুৱাংসনা অমসুং এ এম এল এমগী প্রসিদেন্ট গুনিলৈমানা পুন্না প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, খুন্নাই অসি ফুরুপ কয়ানা লৈতেংবা মালেমদা তাংলবা লৈকোল অমনি। লৈকোল অসিবু শেম্নবা হোৎনবদা মীতৈ নিংথৌ কয়ানা থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা ফুরুপ মচা মচা কয়াবু কন্দুনা ঈ মশেলগী পুৱারী শেমলম্মী। লমদম অসিদা অশেংবা য়েলহৌমী ওইরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা মশাগী ওইজবা থিবা মীওই খরনা শীংচেপ থাজিন্দুনা ঈ-মরীবু নমশিন্নবা চহী চা কয়াদগী হোৎনদুনা লাক্লি।

চৈরক অসিদা নোংমৈ পায়বা লালহৌবা শাবা মীওই খরনা মীচমশিংবু তোইনা হাৎলকপদগী মীয়াম্বু কন্নবা লৈঙাক্না থবক তৌখৎকলকপদা উখুলগী মহৌশাগী ফীভমদা মীওই খরদি য়াম্না হৈনদবা ফাওরমগনি। ষ্টেট ফোর্স থমবদা উখুলগী মীওই চা কয়ানদি হরাউ মথোই কারি, খরনা থবক তৌবা ঙমদ্রে হায়দুনা ব্লোকেদ য়াওনা প্রোটেষ্ট অমসুং খোল্লাউ লাউরি। মরকসিদা ওইজবা থিবা গান্ধিদা ঙাওবা মীওই খরনা অমুক মীয়ামগী ৱারেপনি হায়দুনা মণিপুরী মীয়াম্না শাওগদবা ৱারেপসু লৌরক্লি হায়রি।

চীংদা লৈজবা ইচম চমজবা মীওইশিংবু য়ু এন সিনা খুৎলাই ওইনা শীজিন্নদুনা মীয়ামদা লান্না উহল্লি। ওইরক্লিবা ফীভম অসি করিদগী ওইরকপনো হায়বদু য়ু এন সিনা ৱাখল তারল্লগদি লৈখিদ্রবা খা ঙানবা য়েক্তি মরুপ অনীগী পুন্সি কলম্বা য়াবনি। মতাং চারে হায়দুনা মীয়াম্বু খুৎলাই ওইনা শীজিন্নদি তুং কোয়বা য়ারোই হায়রি।

এন এস সি এন (আই এম)গী ৱাখল্লোন্দা যুম্ফম ওইরগা তৌরকপা থবক থৌরম খুদিংমক্তা মীয়াম্না কিবদগী তুং ইনবা ঙাক্তনি। মীয়ামগী মীহুৎ অমসুং মীচম কয়া এন এস সি এন (আই এম)না হাৎখিবা মতমদা য়ু এন সিনা প্রোটেষ্ট তৌখিবা লৈতে, নমশিন্দুনা থমখিবা ঙাক্তনি। মফমদুগী মীয়ামগী খোল্লাউ তাবগী মহুৎতা এন এস সি এন (আই এম) ফাবা য়ারোই, ইন্দো-নাগা পিস টোক ৱারোইশিন পুরকউ হায়দুনা লাউ-খোংলকপগী লীচৎ ঐখোয়না ঈকায়বা পোকই হায়রি।

মীওই চা কয়াগী পুন্সি মৎপিশ্রবশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎতবা য়ু এন সিনা নুংঙাইতবগী মরম শেংদোরক্কদবনি। মতিক চাবা ৱাখল খন্থবা ঙম্বা মীয়ামগী অশেংবা লূপ ওইরম্লগদি নাকল অনীমক ফম্মিন্নদুনা মতুংদা অমুক হন্না থোকহল্লরোই, ঙাকপিয়ু হায়রম্লগদি অশি-অনা, অশোক অপন য়াওরমলোইদবনি। মশাগী ইমুং মনুংবু মশানা হাৎতোকপা ঙম্বা মীয়াম্না পরা তম্বীয়ু হায়রি।

ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা খঙহন্ননবা মরী লৈনবা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী ওথোরিটিশিংদা চে থারগনি। লৈঙাক্লসু থাক্লিবা লাংদা থুদনবা উখুলদা চৎপিয়ু, ফিল্ডদা লৈরিবা পুলিসশিংনসু য়ারিবমখৈ হার্মোনি লৈনবা থবক পায়খৎপিয়ু হায়রি।

য়ু এন সিনসু মীয়াম্বু খুৎলাই ওইনা শীজিন্নবগী মহুৎতা মীয়ামদা মখা তানা হাৎপা তুপ্পা তৌহল্লরোই হায়দুনা মতিং লৈনা ফোঙদোক্লগদি শীংথাবা য়াবা ৱারোইশিন অমা পুরক্কনি হায়বগী অচৌবা থাজবা অমা এম সি কে অমসুং এ এম এল এম এলনা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন্দা আপীল তৌজরি হায়নসু চেরোলসিদা ফোঙদোরক্লি।

# ওজা রেসনেলাইজেসন তৌবগী থোকখিবা ওর্দরদা অয়েৎপা অমত্তা পীবীগনু ঃ দেসাম

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (ঐচএন এস)ঃ এদ্যুকেসন (এস)কী দিরেক্টোরেটনা হন্দক ওজাগী রেসনেলাইজেসন তৌবগী থোকখিবা ওর্দর অদু মরম চাবা তৌফম থোকপা থবক অমনি হায়না লৌই লোয়ননা ওর্দর অসি চৎনহন্দনবা কনাগুম্বা অমত্তনা অপনবা অমসুং অয়েৎপা পীবীগনু হায়না দেমোক্রেটিক ষ্ট্যুদেন্টস' এল্লাইন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)না ফোঙদোরক্লি।

দেসাম, ময়াই লোইশঙগী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা সেক্রেটরি প্রেমচান্দ তোংব্রমনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, মণিপুরদা লৈরিবা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা খরা লমদাং চাবা লম্বী থোং ফবা ইম্ফাল ময়োলগুম্বগী স্কুলশিংদনা লৈফম থোকপা ওজা মশিংদগী হেন্না লৈশিন্নদুনা লৈবা অদুগা মহৈরোয় ফজনা লৈবা খুঙ্গংগী লমদাং চাদবা মফমশিংদনা মহৈরোয় তাকপিনবা ওজা লৈতবগী অৱাবা অসি হৌজিক এদ্যুকেসন দিপার্ট-মেন্টনা পায়খৎলক্লিবা টিচর রেসনেলাইজেসন তৌবগী খোঙথাং অসিনা মওং চুম্না পায়খৎলবদি খরা মখৈদি অৱাবা কোকহল্লগনি হায়বসি দেসামগী অচেৎপা থাজবনি।

মরম অদুনা দেসামনা হৌখিবা কুমজা ২০১২দগী লৈঙাক্কী স্কুলগী ওজাশিং মাস রেসনেলাইজেসন তৌনবা দিমান্দ অসি ঙসি ফাওবা তৌদুনা লাকখিবনি। দিমান্দ অসি লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনসু তৌফম থোকপা অফবা খোঙথাং অমনি খন্দুনা পায়খৎলকপনি হায়না দেসামনা লৌই। অসিগুম্বা খোঙথাং অসি তাকপিনবা ওজা লৈত্রবা স্কুলশিংগী মহৈরোয়শিং অদুগী খন্দুনা ঐখোয়না য়েৎফম থোক্তে, চৎনদনবা হোৎনফম থোক্তে হায়রি।

হন্দক থোক্লিবা রেসনেলাইজেসন তৌবগী ওর্দর অসিদা অশোইবা কয়া য়াওরে হায়বসিদি থোইদোক হেন্দোক্না চুম্লবা ৱাফমনি। হৌজিক মীদিয়াদা ফোঙনরক্লিবা অশোইবশিং অসিদা নৎতনা দেসামনা খঙবা অমসুং উবা অশোইবা কয়া অমসু ওর্দর অসিদা য়াওরি হায়রি।

অশোইবা খরা অসিনা মরম ওইদুনা মতম চঙনা হোৎনরক্লিবা থৌরাং থৌশিল অমবু চৎহন্দবা হায়বসি চুম্লোই। শোইরিবগী চাং অসিনা চুমথোকপগী য়াদবগী চাংদা শোইরে, মসিনা মণিপুরগী এদ্যুকেসনগী কাঙলোন অসিদা মশক থীহল্লে অমসুং মহৈরোয়শিংগী মহৈ তম্বগী ফংফম থোকপা অদু মৎলে হায়রবদি ৱাফম অমনি। ফীভম তাঞ্জা অদুদদি দেসামনসু চপ চানা অদুগুম্বা থৌশিল অদুগী ময়োক্তা লেপকনি হায়রি।

এদ্যুকেসনগী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা হৌজিক লেমহৌরিবা অমসুং ৱাংহৌরিবা গ্রেজ্যুএট টিচর অমসুং হায়র সেকেন্দরীগী লেকচররগী রেসনে-লাইজেসন অথুবা মতমদা লোইশিনবীনবা হায়জরি। লোয়ননা হন্দক থোকখিবা ওর্দর অদুদা য়াওরিবা অশোইবা অরানবশিং অদুসু অথুবা মতমদা শেমদোক শাদোকপীয়ু। হৌজিক পায়খৎলক্লিবা টিচর রেসনেলাইজেসনগী থবক থৌরম অসিদা লমদমসিগী এম এল এ, মিনিষ্টর অমত্তনা অয়েৎপা অপনবা পীবীদনবসু দেসামনা আপীল তৌজরি হায়নসু চেরোলসিদা ফোঙদোরক্লি।

## ভেরিফিকেসন তৌনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩(ঐচএন এস)ঃ মণিপুরদা ইন্নর লাইন পার্মিট (আই এল পি চৎনহন্নবা খোঙজং চঙশিল্লিবা এন জি ও, মৈরা পায়বী অমসুং লনাই লূপ পুম্নমক্না নন-মণিপুরশিংগা লৈফমদা মখোয়গী শকখঙ-চে চেক তৌবীবা মতমদা মখোয়না পুথোরক্লিবা শকখঙ-চেসিং অদু মরী লৈনবা ওফিসশিংদা ভেরিফিকেসন তৌবা মথৌ তারে হায়না ইম্ফাল ইষ্ট-টু সি দি ব্লোক, কৈরাওগী রেজিষ্টার, বার্থ এন্দ দেথ কে ঐচ চাউবনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ভেরিফিকেসন তৌবা মথৌ তারিবগী মরমদি মখোয়না পুথোক্লিবা শকখঙ-চেশিং অদু শাশিন্নবা সর্টিফিকেটনৎত্রগা মরী লৈনদবা ওফিসকী চে নৎত্রগা অশাবা শীল অমসুং খুৎয়েক য়াওবা থেংবদগীনি। ওফিস অসিগী ওইনসু মরী লৈনদবা নৎত্রগা ওফিস অসিনা কোন্দবা মফমদা লৈবা মীওই অমত্তদা পোকপগী সর্টিফিকেট পীখিবা লৈখিদে হায়নসু চেরোলসিদা হায়রি।

## উরেপ উয়ুং তমখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ ঃ ঙসি নুংথিল পুং ১২.৪৫ তাবদা লিলোং কৈথেলদা লৈবা বারি জামে মসাজিদতা মুসাফির খানা অমা শানবগীদমক উরেপ উয়ুং তমখ্রে। থৌরম অদুদা এম পি (রাজ্য সভা) অমসুং এ আই সি সিগী ৱাঙাংলোয় এম দি রশিদ অলভিনা অথোইবা লেঙবীরকপা, মণিপুরগী এগ্রিকলচর এন্দ ফিশরিজ মিনিষ্টর এম দি অবদুল নাসিরনা থৌরম মপু অমসুং ওখলা এ সি, দিলিগী এম এল এ অসিফ মোহম্মদ খাননা ঈকায় খুম্নরিবা লেঙবীরকপা ওইনা শরুক হায়রি।

## হিয়াং তান্নগদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ ঃ ইমা ইমোইনু থৌগল থৌশিল কাঙলূপ, লম্লাই চালৌনা শীন্দুনা মাঙথরক্লিবা ইশাগী লাইনীং-লাইশোন, চৎন-লোনচৎ, ইপানাৎ-ইপুনাৎকী লীক্লম অসিবু কন্নবগী পান্দমদা হন্দক্কা অনীরক শুবা ওইনা হৈক্রু হিদোংবগা মরী লৈননা লম্লাইগী সলাম পাৎতা হিয়াং তান্নবগী থৌরম অমা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ৫গী অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা পাঙথোক্লগনি। ইরমদম অসিদা লৈরিবা ইরৈচা খুদিংমক্না থৌরম অসিবু শরুক য়াবীদুনা মপূং ফাহনবীয়ু হায়না লূপসিনা ফোঙদোরক্লি।




*লিলোং কৈথেলদা লৈবা বারি জামে মসাজিদতা মুসাফির খানা অমা শানবগীদমক উরেপ উয়ুং তমখিবা*

# ষ্টেট কেবীনেটনা লৌখিবা ৱারেপ্পু অমক্তানা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩(ঐচএন এস)ঃ মণিপুরগী কোলেজশিং অমসুং হায়র সেকেন্দরী স্কুলশিংদা ওজাশিংগী অৱাৎপা লৈরিবশিং মেনখৎনবা এম পি এস সিগী খুত্থাংদা ওজা হাপ্পা লোয়ননা হৌজিক ওইরিবা কন্ট্রেক্ট-পার্ট টাইম ওজাশিংগীদমক পোষ্টশিং ক্রিএসন তৌখিবা ষ্টেট কেবীনেটকী ঙরাং লৌখিবা ৱারেপ্পু ওল মণিপুর কোলেজ টিচরস' এসোসিএস (অমক্তা)না থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

অমক্তাগী জোইন্ট সেক্রেটরি ডো. এম ইমোচানা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, ৱারেপ অসিনা মণিপুরগী এদ্যুকেসন সেক্টরবু খুমাঙ চাউশিন্না লৈপাক অসিগী মহৈ-মশিংগী লমদা অৱাৎপা মেনখৎনবা লৌরকপা খোঙথাং অমনি হায়না অমক্তানা লৌই। লৈঙাক্না ৱারেপ অসিবু অথুবা মতমদা থবক ওইনা পাঙথোক্তুনা ঙসি মণিপুর মীয়াম্না চিংনরিবা মণিপুর লৈঙাক্কী হায়দোকখিবগা তৌথোরকপগা মান্নদে হায়বা অদুসু থোকহন্দনবা হোৎনহন্নিংই। লোয়ননা ওজাশিংনসু ইশা-ইশাগী ইথৌদা হেন্না পুক্নিং চঙশিনবীদুনা একাউন্টেবিলিটি মেন্টেইন তৌবীনবসু অমক্তানা আপীল তৌজরি হায়রি।

অমরোমদা ইন্দিয়া পুম্বগী ওইবা হায়র এদ্যুকেসন পোলিসিদা ঙসিগী লৈঙাক্না মায় ওনশিনবা ফৈ। সেন্ট্রেল্লি স্পোন্সর স্কীম রুশানা মণিপুরগী কোলেজশিংগীদমক রিকমেন্দ তৌখিনবা শেন্থংশিং ষ্টেটকী পুথোকফম থোকপা শরুক মতম থিন্থদনা পুথোকপীদুনা স্কীম অসিগী কান্নবা মপুং ফানা লৌহৌবা চুমগনি হায়রি।

দিপার্টমেন্ট অমগা দিপার্টমেন্ট অমগা চে-চাং চৎনবদা মতম হেন্না লৌবদগী ফাইনান্সিএল ইয়ার লোইশিনখিগদৌবগী অকিবা লৈরিবা পুম্নমক অসি লৈঙাক্না অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা স্কীম অসিগী কান্নবা লৌহৌবা চুমগনি। হায়র এদ্যুকেসন দিপার্ট-মেন্টসনসু স্কীম অসিগী ষ্টেট হায়র এদ্যুকেসন কাউন্সিল অমসুং প্রোজেক্ট দিরেক্টোরেট মীয়ামদা ময়েক শেংনা উহনবা মথৌ তাই হায়রি।

লৈঙাক্না স্কুল অমসুং কোলেজশিংদা অৱাৎপা কয়ানা থল্লবা নন-টিচিং অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচর ইমপ্রুভ তৌহন্নবা অখন্না মীৎয়েং চঙদুনা মীণিপুরবু মহৈ-মশিংগী লমদা অতৈ ষ্টেটশিংগা চাংদমনবদা শোত্থদনা থম্নবা লৈঙাক্কী পুক্নিং চিংশিঞ্জরি। অমক্তানসু এদ্যুকেসনবু চাউখৎনবগীদমক লৈঙাক্না পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংদা মপুং ফানা শৌগৎনবা হোৎনগনি। অমক্তাদি অচুম্বগীদমক, অচুম্বা ইনফোর্মেসনশিংদা যুম্ফম ওইরগা এদ্যুকেসনগী চাউখৎ খোঙথাংদা মতম পুম্বদা শরুক য়াদুনা লাক্লি অমসুং য়াখিগনি হায়রি।

# 'অঙ্গনৱাদিগী ৱার্কর লৌবদা পোলিটিক্স তৌবীগনু'

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (ঐচএন এস)ঃ লৈবাক অসিগী ফম্নাইবা এম এল এ, মিনিষ্টরশিংনসু অঙ্গনৱাদিগী ৱার্কর লৌবীবদা পোলিটিক্স তৌবীগনু মতিক চাবা কেন্দিদেট অদুদা ফংফম থোকপা অদু ফংহনফম থোকই হায়না মণিপুর মুস্লিম ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসনগী পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরি ফুন্দ্রেমযুম হেরোজিৎনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, হন্দক মণিপুর লৈঙাক্কী সোসিএল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টনা আই সি দি এস অঙ্গনৱাদি সেন্টর অমসুং মিনি-অঙ্গনৱাদি সেন্টর খরা হাংদোক্লবা এপ্রুভ লিষ্ট থোকপদা ইম্ফাল ৱেষ্ট-২, ৱাঙ্গোই আই সি দি এস প্রোজেক্টকী মনুং চনবা ময়াং ইম্ফাল এ সিগী ওইনা সেন্টর ১১ য়াওরক্লে।

সেন্টর ১১ অসিগী মনুংদা মঙাদি মাইনোরিটিনা খুন্দাবা ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুনদনি। সেন্টরশিং অদুনা বেঙ্গুন শাবল মখা, বেঙ্গুন ময়ায় লৈকায়, বেঙ্গুন মনিং মখা লৈকায়, বেঙ্গুন মনিং নেগ্রম মখা অমসুং বেঙ্গুন মৈকিবী লৈরক্লি হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, সেন্টর মঙা অসিদা ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুনদগী নৎতবা অতোপ্পা মফমদগী এম এল এ, মিনিষ্টরশিংগা নক্লবা মীওইশিংদগী খল্লগা থারক্লবা হোৎনরে হায়বগী অকক্লবা পাউ লূপ অসিদা লৈরে।

মরম অসিনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা হীরম অসিগী মতাংদা থিগৎতুনা সেন্টর মঙা অসিদা সেন্টর অসিগীদমক এপ্লাই তৌরকপা লোকেল কেন্দিদেটশিংদগী মতিক চাবা খনবীদুনা সেন্টরশিং অসিদা থাবীরকউ হায়নসু চেরোল অসিদা ওর্গনাইজেসন অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# শক্তাক-চে অশেংবা পায়দনা রিকশো থৌরিবা মীতোপশিং থিংবা হৌগদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (ঐচএন এস)ঃ মণিপুরদা হৌজিক শক্তাক-চে অশেংবা পায়দনা নন-মণিপুরীশিংনা রিকশো থৌরিবশিং অসি লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ১০দগী থিংবা হৌরগনি হায়না ওল মণিপুর রিকশো ড্রাইভরস এন্দ পূল্লরস' ৱেলফেয়র এসোসিএসন (এ এম এ দি পি দব্লি এ)না ফোঙদোরক্লি।

এ এম এ দি পি দব্লি এগী সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন রোশিনিকান্তা তখেলচানা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১দা এসোসিএসন অসিগী মীওই অমনা নন-মণিপুরী রিকশো ড্রাইভর অমা থেংনবদগী মশাবু শক্তাকচনবা অমসুং মরী লৈনবা চে-চাংশি পুথোক্লবা হায়খি।

মদুদা মশানা হায়জবা মমিংনা এম দি কাজাল, অপোকপনা লৈখিদ্রবা অজিজুর রহামান, লৈফম্না সিলচর নাগপুর ভিলেজনি হায়। অদুগা মহাক্না পায়রম্বা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা পীবা রিকশোগী লাইসেন্সতনা এম দি অবদুল নূর, অপোকপনা এম দি মুক্কাম, লৈফম্না হট্টা মিনুথোং হায়। অদুগা অতোপ্পা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্ট পীবা পান কার্দতনা বদুল মেনন লাস্কর, অপোকপনা মুক্রাম আলি লস্কর হায়না লৈরম্বা থেংনখি। মহাক্না মখা তানা ৱারী শান্নবা এসোসিএসনগী মীওইশিং পাউ ফাওনরিঙৈদা খুদোং চাবা লৌদুনা নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে হায়রি।

হায়রিবা শকলোৎপা নন-মণিপুরী অদুনা থৌরকখিবা রিকশো নম্বরনা ভি ৯৮৪ অদুগী মপুনা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ৫ ফাওবগা মনুংদা শকলোৎপা নন-মণিপুরী অদুগা লোয়ননা চঙজরক্কদবনি হায়নসু চেরোলসিদা এসোসিএসন অসিনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়,অসিগুম্বা শকলোৎপা মীতোপ মীয়ানচা কয়া মণিপুরগী শাইজিন শয়াদা শাইদাংদুনা লৈরগা খুদোং চাবা কয়া লৌরমগনি হায়না এসোসিএসন অসিনা চেৎনা থাজবা লৈ।

অসিগুম্বা অসিনা তুংদা য়েলহৌমী ঐখোয়দা মাঙজরক্কদবা কয়াবু ঐখোয় পুন্না খঙমিন্নবা অমসুং থেংনমিন্নবা মতম ওইরে। মরম অদুনা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ১০ ফাওবগী মনুংদা হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা রিকশো থৌরিবা নন-মমিপুরীশিংনা মশা মশাগী অশেংবা শক্তাক চে অমসুং পাস পোর্ট সাইজকী ফোটোগ্রাফ অনী অনীগা লোয়ননা এসোসিএসন অসিগী ওফিস্তা লাক্কদবনি হায়রি।

হায়রিবা ৱাফম অসিবু থৌওইদবা তারবদি মদুদা থোক্লকপা অফ-ফত্ত খুদিংমক মশা মশানা থৌদাং পুজগদবনি হায়নসু চেরোল অসিদা এসোসিএসন অসিনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

# মুতুৱা বহাদুরনা ইবা 'অৱা : কাতে অমসুং পাওনা' কৌবা লাইরিক নৈনগদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩(ঐচএনএস)ঃ লাক্লিবা ইন্টর্নেসনেল লিটরেসি ডে থৌরম নুমিৎ, সেপ্টেম্বর ৮গী নুংথিল পুং ২ তাবদা ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা মুতুৱা বহাদুরনা ইবা 'অৱা : কাতে অমসুং পাওনা' হায়না কৌবা লাইরিক অমগী মরমদা নৈনবগী থৌরম অমা পাঙথোক্কদৌরি হায়না মুতুৱা ম্যুজিএমগী প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, লাইরিক অসি অৱা লৈপাক্কী মীতৈ (বামোন য়াওনা)শিংগীদমক্তা মমালোল ঙাঙজনবা অমসুং মশানা মশাবু মশক খঙজনবগী পান্দমদা অৱালোল, মীতৈলোল অমসুং ইংলিস্তা পুন্না ইবা লাইরিক্লি।

লাইরিক অসি চহী অসিগী হৌখিবা জন্যুৱারী ১৭তা মন্দলেগী পোনাসু (বামোন খুঞ্জাও) মাঙুপ্তা, সাগাইং, মন্দলেনচিংবগী অকোয়বদা খুন্দারিবা মীতৈশিংনা মহারাস জগোয় কৎখিবা থৌরম অমগা মাঙওইননা খুলগী অহল অহুম অহুম-সয়াচান্দ, গোবীন্দচান্দ অমসুং মদন গোপালনা নুংথিল পুং ৫ তাবদা ফোঙদোকখিবনি হায়রি।

'অৱা : কাতে অমসুং পাওনা' হায়না কৌবা লাইরিক অসি নৈনবগী পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অদুদা সনাথোঙ,মণিপুরগী এদিটর মনিন্দ্র কোন্সমনা লাইরিক অসিগী মরমদা অমসুং অইবা মুতুৱা বহাদুরনা অৱা লৈপাক্কী মীতৈশিংগী মরমদা ৱা ঙাঙগনি হায়রি।

থৌরমগী নুমিৎ অদুদা হায়রিবা লাইরিক অসি অতাবা মমলদা ফংহঞ্জগনি। থৱায় য়াওবীবশিংনা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা লাইরিক নৈনবগী থৌরম অসিদা শরুক য়াবীরনবা পাউজেঞ্জরি হায়রি।

## 'লৈঙাক্লা মীয়াম্বু মৈ হৌনা শাওহল্লে'

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩(ঐচএন এস)ঃ উমংলাইবু গোবীন্দজী টেম্পল বোর্দকী মখাদা লৈহল্লগনি হায়বা মণিপুর লৈঙাক্কী ৱারেপ্না উমংলাইবু অশেংবা লাইফমনি খঞ্জরিবা মীয়ামগী থম্মোয়দা মৈ হৌনা শাওহল্লে হায়না মৈতৈ ঈশৈ শৈদম শঙলেন,কাচিখুলগী সেক্রেটরি ধনবির মাইবমনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ৱাখল খন্থহৌদনা লৌবা লৈঙাক্কী ৱারেপ অসি অথুবা মতমদা হন্দোক্লবা শঙলেন অসিগী মায়কৈদগী লৈঙাক্তা খঙহল্লি। করিগুম্বা খোঙজং অসি হন্দোক্ত্রবদি শক্নাইরবা লাইনীংলোয়, অইবা চনা লুখোইনা শিদ্রি ফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়বসিদা শঙলেনগী থৌমীশিংনসু শরুক য়াগনি।

করিসু খন্থহৌদনা লৌবা মথোং হুক্তবা লৈঙাক্কী ৱারেপ্না লমদমসিদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোক্লকলবদি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবী অমসুং মহাক্কী লৈঙাকনা থোকহনবনি হায়না লৌরোইদবগী মরম লৈতে। মরম অদুনা মৈরিকপিদগী মৈজাওবী হৌরক্তুনা মনিপুর মৈ হৌনা চাক্ত্রিঙৈ খোঙফম অসি হন্দোকহৌবনা অফবা খোঙথাং ওইগনি হায়নসু চেরোলসিদা হায়রি।

লায়েংজরি DUTTA CLINIC লায়েংজরি

অঙৌবা পকপা, তাং-তাং চিকপা, নুপাগী প্রোব্লেম, নুপীগী প্রোব্লেম, নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক, ডাইবেটিস, নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম অমসুং য়ু করম্না থাদোক্কনি



অঙৌবা পকপা :
অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

তাং-তাং চিকপা :
তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্না পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

নুপাগী প্রোব্লেম :
ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফটিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোন্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙল্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে। মমল লুপা ৪৫০।

নুপীগী প্রোব্লেম :
ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোন্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক্কী :
নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।
পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্না অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

ডাইবেটিস :
ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :
না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙল্লে।
অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্কনি।

য়ু করম্না থাদোক্কনি :
য়ুদা লায়চুদুনা লৈরবা মীওইশিংদা মশা খংহন্দনা ঐখোয়গী হিদাক অসি পীজবা তারবদি অদোমগী ইমুং মনুং হরাও-নুংঙাইবা হায়বদো হঞ্জিল্লকনি। মহাক শোয়দনা য়ু থাদোক্কনি।

DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/1069/23July-22 Aug

## HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-1330


| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 4 | | | | | 6 | 2 | 1 |
| | 9 | 2 | | | 6 | | | 3 |
| 8 | | | | | | | 9 | |
| | 1 | 3 | | | 4 | | | |
| | | 5 | 3 | | | 2 | | |
| | | | | | 7 | 8 | 3 | |
| | | 1 | | | 5 | | | |
| | | | 2 | 4 | | | | |
| | | | 8 | 9 | | 7 | | |

Solution-1329

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9. Every row must contain the numbers from 1 through 9. Every column must contain the numbers from 1 through 9. Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 5 | 2 | 7 | 6 | 4 | 9 | 1 | 3 |
| 6 | 1 | 4 | 5 | 9 | 3 | 7 | 2 | 8 |
| 7 | 3 | 9 | 1 | 8 | 2 | 5 | 6 | 4 |
| 9 | 2 | 1 | 6 | 4 | 5 | 3 | 8 | 7 |
| 3 | 8 | 7 | 9 | 2 | 1 | 4 | 5 | 6 |
| 4 | 6 | 5 | 8 | 3 | 7 | 1 | 9 | 2 |
| 5 | 7 | 6 | 3 | 1 | 8 | 2 | 4 | 9 |
| 2 | 9 | 3 | 4 | 5 | 6 | 8 | 7 | 1 |
| 1 | 4 | 8 | 2 | 7 | 9 | 6 | 3 | 5 |

## CROSSWORD-1517



**ACROSS**
1. Rim
3. London rail terminus
9. European language
10. Learner
11. Fast
12. Mend
14. Inn
16. Dealer
19. Entertained
21. Flower
24. Porcelain
25. Pasta dish
26. Unnecessary
27. Formerly

**DOWN**
1. Leave the country
2. Clutch
4. Take no notice of
5. Replenish
6. Responded
7. Proficient
8. Impede
13. First showing of a film
15. Blood-sucker
17. Strong and sturdy
18. Grown-ups
20. Little
22. Keyboard instrument
23. Scrutinise

Solution 1516

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| P | Y | R | A | M | I | D | ■ | F | O | R | M | S |
| O | ■ | O | ■ | O | ■ | O | ■ | L | ■ | A | ■ | I |
| S | T | A | S | H | ■ | U | N | U | S | U | A | L |
| S | ■ | C | ■ | I | ■ | B | ■ | E | ■ | C | ■ | L |
| E | T | H | I | C | A | L | ■ | S | H | O | W | Y |
| S | ■ | ■ | ■ | A | ■ | E | ■ | ■ | ■ | U | ■ | ■ |
| S | T | R | O | N | G | ■ | C | H | A | S | E | D |
| ■ | ■ | E | ■ | ■ | ■ | C | ■ | U | ■ | ■ | ■ | O |
| T | O | M | E | S | ■ | H | A | R | M | F | U | L |
| E | ■ | O | ■ | H | ■ | A | ■ | R | ■ | A | ■ | P |
| P | U | R | L | O | I | N | ■ | Y | O | U | T | H |
| I | ■ | S | ■ | P | ■ | G | ■ | U | ■ | N | ■ | I |
| D | R | E | S | S | ■ | E | X | P | L | A | I | N |

SOLUTION ON NEXT ISSUE